HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



চয়োল অমা চূপ্পা চথরকখিবা ৭১শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱীক ২০২৫গী মনুং চন্না তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজননা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবশিংদা মকোক মথং তারবশিংবু তরাম্না ওক্তুনা মনা-মথুম য়েঙ্খোকখিবা


লৌশিং পূক্কে : যূম পাল্লবা মতুংদা নুপীশিংনা ... লামায় ২
লামায় ৪ মণিপুরদনা করম্বা মতমদা য়ৌরক্কদৌরিবা?
অশিবা ফাইলদা নমশিনখ্রবা মণিপুরগী মরাইবক লামায় ৫
লামায় ৬ প্রি-ফেব্রিকেটেদ টেম্পররি সেল্টর হোম ...
সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবা, মাইগ্রেশন রিভর্স তৌনবা... লামায় ৯
লামায় ১২ প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ঃ য়ু সী এফ সীনা...


থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রাইভেট স্কুলশিংগী অপূনবা বোদি ওইরিবা প্রাইভেট স্কুলস দিভেলপমেন্ট কাউন্সিলগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা খনগৎলবা স্কুলশিংগী ওজা অমসুং মহৈরোয়শিংদা মনা পীখিবা



Vol. 49, Issue No. 188 | শগোলশেন, মেরাগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, October 09, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### অনৌবা লৈঙাক্কী মঙলান্দা চৎখিবশিং সম্বিত পাত্রদগী হেন্না উন্নবা ফংদ্রি

# সম্বিত পাত্রনা জে পি নদ্দা, হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবগী এপোইন্টমেন্ট লৌবা ঙম্লোই হায়রক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০২২দগী লিংলকখিবা মণিপুর লৈঙাকপু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌহল্লবা মতুংদা থা অদুগী ১৩দগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপা থেঙ্খাং অনী শুরকপদগী ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবীনবগীদমক অরোইবা ওইনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নদুনা তকশিল্লুগনি হায়রল্লগা চৎনখিবশিংগী মরক্তা নীংবা কায়বা য়াওরে হায়রি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা নুমিৎ ৪/৫নিগী মমাঙদগী মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহনবীনবগীদমক দেল্লীদা লৈরকখিবা এম এল এশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং দেল্লীদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এম এল এশিংনা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহনবগী মতাংদা



হকথেংননা ফোঙদোক্লবা বি জে পিগী নেশনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা য়াওনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফাওবা উন্নবগী এপোইন্টমেন্ট লৌনবা খন্নখি হায়রি।

মীফম অদুনা খন্নদুনা য়ান্নবগী মতুংইন্না সেন্টরগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অসি উন্নবগী এপোইন্টমেন্ট লৌনবা ডা. সম্বিত পাত্রগা ইহান

**দেল্লীদা চঙশিনখিবশিং মথং-মথং থোক্লরক্কদৌরে**

হান্না উন্নবা হোৎনরকপদগী ঙসি নুংথিল এম এল এশিংগা মহাক্না উন্নখি। এম এল এশিংগী মায়কৈদগী মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবগীদমক এম এল এশিংনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নদুনা তকশিন্নবা লাকপনি হায়রদুনা মকোক থোংবা লুচিংবশিং অসি উন্নবগীদমক এপোইন্টমেন্ট লৌবীনবা তকশিনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক ডা. সম্বিত পাত্রগী মায়কৈদগীদি অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক লাক্লিবশিংগী মনুংদা বি জে পিগী ওইনসু এম এল এ মশীং শুদ্রি হায়বগা লোয়ননা কুকি-জো ফূরুপকী এম এল এশিংগা পুন্না লাকমিন্নদুনা তকশিনবা নত্তবনিনা হৌজিকমক্কী ওইনদি এম এল এশিংনা উন্ননীংলিবা সেন্টরগী লুচিংবশিং অসিগা উন্নবগী এপোইন্টমেন্ট লৌবা ঙমখিরোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লল্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# সেন্টরদা বি জে পি লাকপদগী মীয়ামগী হক মৎপা থবক কয়া চথরে, প্রাইম মিনিষ্টর ফাওবা ভোট হুরান্দুনা ওইরে : ইবোবী

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :**
লৈবাক অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক হেক লাকপদগী মীয়ামগী হক মৎপা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা চথরে অমসুং মীয়ামদা মীনমদুনা ভোট ফাওবা হুরাল্লগা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম ফাওবা পায়রে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং হৌজিক্লা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওইরিবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি এ আই সী সীগী লুচিংবশিংনা লৈবাক শিনবা থুংনা মমাঙ থাগী ১৫দগী হৌরক্লগা থা অসিগী ১৫ ফাওবা চথগদৌরিবা 'ভোট চোর গাডি ছোর' হায়না মিংথোনবা নেশন ৱাইদ সিগ্নেচর কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা সিগ্নেচর কেম্প্যেনদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ও ইবোবীনা মখা তানা হায়, মহারাষ্ট্র অমদি কর্ণাটকানচিংবা ষ্টেট খরদা পাঙথোকখিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমদি লোক সভাগী মীখলশিংদা বি জে পিনা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গা লৌতুনদুনা মীখলশিং





থৌবাল অথোকপমদা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা 'ভোট চোর গাডি ছোর' হায়বা খোল্লাওগী সিগ্নেচর কেম্প্যেনদা শরুক য়াখিবশিংনা মশা-মশাগী খুৎয়েক পীবা

অদুদা মায় পাকখিবা, ওটোনোমস ওইনা লৈগদবা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়াবু বি জে পিনা লান্না লমজিংবা, লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশনবু লান্না লমজিংবনচিংবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা নেশন ৱাইদ কেম্প্যেন অসিগী অহুমশুবা ফেজ গী মনুং চন্না মণিপুরদসু চথরকপনি।

লৈবাক অসিবু নীংতমহন্নবা হোৎনবদা থৱায় ফাওবা থাদোকখ্রবা লৈবাক নীংবা অথৌবশিং অমসুং লৈবাক অসিগী ফজরবা দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুশন অসিবু কন্ননবগীদমক কোংগ্রেসনা সিগ্নেচর কেম্প্যেন অসি মখা তানা চথরকপনি। মণিপুরদসু গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী য়াওনা চীংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিং অমসুং লোকল বোদিশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# দেল্লীদা লৈঙাক শেমহন্নবা তকশিনগনি চঙশিনখিবা এম এল এশিংগী মরক্তা নাইতোম তাবা য়াওরব্রা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :**
নুমিৎ খরনিগী মাঙদগী মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অনৌবা লৈঙাক (পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি) অমা শোয়দনা লৈহনবীনবা তকশিল্লুগনি হায়দুনা দেল্লীদা চঙশিন্দুনা ঙসি নুমিদাং ফাওবদা লৈরকখিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তা ইম্ফাল থাদোক্তুনা দেল্লীদা য়ৌরল্লবসু অতোপ্পা এম এল এশিংগা পূন্দনা নাইতোম তাবা য়াওরব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

হৌজিক মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহনবীনবগীদমক সেন্টরগী লুচিংবশিংদা অরোইবা ওইনা তকশিল্লুগনি হায়দুনা চঙশিন্নখিবা এম এল এশিংগী মনুংদগী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পাউচে অসিনা বি জে পিগী এম এল এ অমগা শানখিবা ৱারীদা মহাকসু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

এম এল এ অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৫৮ তারকপদা পাউচে অসিনা টেলিফোন

**বি জে পিগী এম এল এ অমনদি মহাক দেল্লীদা থুংলবসু মহাক্কী কলিগ অমত্তগা উন্নদুনা ৱারী শানদ্রি হায়না ফোঙদোরকখি**

তৌরুবদা মহাক ঙসি নুংথিল পুং ৪ তারমদাইদা দেল্লীদা থুংলে। অদুগা বির টিকেন্দ্রজিৎ মণিপুর ভবনদা লৈরে হায়না ফোঙদোরকখি।

ৱাফম অসিদগী পাউচে অসিনা হান্নদগী দেল্লীদা লৈরকপা বি জে পিগী এম এল এশিংনা ঙসি নুংথিল পার্টিগী নেশনল স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা এম পি ডা. সম্বিত পাত্রগা উন্নখ্রে হায়বগী পাউ তারে হায়রদুনা পার্টিগী লুচিংবা অসিগা কদাইৱাইদা অমসুং করম্বা মতমদা উন্নখিবনো, উন্নবা অদুদা মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগা মরী লৈননা করি করম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখিবগে হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# এন পি পিগী নেশনল প্রসিদেন্ট ১সুং মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর সংমা লাক্তুনা সী এস ওশিংগা ৱারী শারগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :**
কুমজা ২০২২গী মার্চতগী লিংলক্লগা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল ফাওবা লৈরমখিবা মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা শৌগৎলম্বদগী শৌগৎত্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী নেশনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনড়াদ কে সংমা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা হয়েং ইম্ফালদা লাক্কদৌরি।

পাউচে অসিনা এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটতগী ফংবা পাউনা হায়বদা হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ তারকপদা পার্টিগী নেশনল প্রসিদেন্ট অসি ইম্ফালদা থুংলগনি হায়রি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা মহাক্কী ময়াম্বসু ওইরিবা পার্টি অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জেমস

**ঙসি নুংথিল রাজ ভবনদা গভর্ণর এ কে ভল্লাগসু উন্নগদৌরি**

সংমা অমসুং পার্টি অসিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি ...মখা লমায় ৩ কলম ২



# শীংনবা য়াওদনা কৈদৌনুংদা মীকোক থোংবা ঙম্লোই : এম এল এ, টি ঐচ রাধেশ্যাম

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :**
ঐখোয়না পূন্সিদা মায় পাকপা অমসুং মীকোক থোংবা ঙম্বা হায়বসিদা খ্বাইদগী মথৌ তারিবসি শীংনবা হায়বসিনি হায়না হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এন সী সী গ্রুপ হেদ ক্বার্টরস, ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর এয়র স্কৱাদ্রননা শীন্দুনা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ৯৩রক শুবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্স দে-২০২৫গী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না পূন্সিগী করিয়র অমা শেম্বদা শীংনবা হায়বসি য়াওদ্রবদি মায় পাকপা ঙম্লোই। ইশাগী ইমুংদগী হৌরগা হীরম খুদিংমক্তা অফবা লম্বীদা শীংনবা তঙাইফদে। ঙসি লৈবাক অসিগীদমক



এয়রফোর্সনা লৌরিবা থৌদাংশিং ঐখোয়না কাউথোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## গভর্ণর এ কে ভল্লা হল্লক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :**
মহৌশাগুম্না থা অসিগী ২দা জি এম হোলদা পাঙথোকপা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারম্বগা লোয়ননা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা 'নেশন ফর্ষ্ট @৭৫ কেম্প্যেন' লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোল্লম্লগা দেল্লীদা চৎখিবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা রাজ ভবনদা হল্লকখ্রে।

মহাক হল্লক্লবা মতুংদা হান্নদগী শিনবা প্রোগ্রামগী মনুং চন্না নোদর্ন ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর) গী জেনরেল মেনেজর অরুনকুমার চৌধুরিনা লুচিংবা মীহুৎশিংগা উন্নখি। গভর্ণরনা রেলৱেগী ওফিশলশিং অসিগা উন্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মণিপুর লৈঙাক্লা চলাইবা চুড়াচান্দপুরগী মেদিকেল কোলেজ শানবগী মতাংদসু মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখি হায়রি।

মীফম অসিদা মেদিকেল কোলেজ অসিগা মরী লৈনবা ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

লোয়ননা হয়েংগী ওইনা রাজ ভবনগী দরবার হোলদা মণিপুর লোক আয়ুক্তগী মেম্বর অমা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা অয়ূক পুং ১০.৩০দগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ৭১শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱীক সিলেব্রেশন লোইশিনবগী থৌরমদা গভর্ণর শরুক য়াগনি। নুংথিলদনা হন্দক্তা ইন্দিয়ানা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা চথখিবা ওপরেশন সিন্দুরদা মায় পাক্লা শরুক য়াবদগী লৈবাক অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# নাগালেন্দ লৈঙাক্কী পুলিস কন্সটেবলগী রিক্রুটমেন্টদা কুকি য়াওনা ফূরুপ ৪গী কেন্দিদেটশিং য়াওহন্দবগী মরম শেংদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :**
নাগালেন্দ লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা ষ্টেট অদুগী পুলিস কন্সটেবলশিং লৌনবগী চথখিবা রিক্রুটমেন্টদা গাড়ো, কচারি, নিকির/কার্বি অমদি কুকি ফূরুপকী কেন্দিদেটশিং য়াওহন্দ্রে হায়দুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকপগী মতাংদা ঙসি নাগালেন্দ লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফূরুপ মরি অসিগী কেন্দিদেটশিংবু করিগীদমক য়াওহন্দবনো হায়বগী মতাংদা শেংদোরক্লি।

নাগালেন্দগী হোম দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অদুগী দি আই পি আরগী খূথাংদা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না গাড়ো, কচারি, নিকির (কার্বি) অমসুং কুকিশিং অসি অকক্লবা কন্দিশন খরদা নাগালেন্দদা খুন্দাবা ইন্দিজিনস মীওইশিংনি হায়না ওফিশল ওইনা শকখঙবনি। অদুম ওইনমক ফূরুপ মরি অসিগী মীওইশিংবু নাগালেন্দগী 'ইন্দিজিনস ইনহেবিটেন্ট' শিং ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা 'এন্যুমরেশন এক্সর্সাইজ' অমা চথরক্লিবা অসি মপূং ফানা লোইশিন্দ্রিবা ফাওবদি পুলিস কন্সটেবলগী রিক্রুটমেন্টগী থবক থৌরমশিং লেপহন্দুনা থম্লক্লি হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না কন্সটিট্যুশন (নাগালেন্দ) সেদ্যুল্ড ট্রাইবস ওর্দর, ১৯৭০গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না নাগা ট্রাইবশিং খক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অঙাংশিংগী মেন্টেল হেল্থ অমসুং সাইকো-সোশল সপোর্ট পীনবা হোৎনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী চৈথেং ফংদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা অঙাংশিংদা মখোয়গী মেন্টেল হেল্থ অমসুং সাইকো-সোশল সপোর্ট পীনবগী পান্দমদা অখন্নবা ক্লিনিক অমা হাংদোক্তুনা ৱাখল তাহনখ্রে।

ঙসিগী নোংমগী ওইবা চাইল্ড-ফ্রেন্দলি ক্লিনিক অসি মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) না রিমসকী সাইকিয়াত্রি অমসুং ক্লিনিকেল সাইকোলোজি দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্কী সোশল ৱেলফ্যের লোয়শঙগা লোয়ননা ন্যু লাইফ ফাউন্দেশন মণিপুরগা খূৎশম্ননা শিনবনি।

থৌরম অসিদা অথোইবা

**বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা রিলিফ কেম্পশিংগী থবক থৌরমশিং রিভিয়ু তৌখ্রে**

মীথুংলেন ওইখিবী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পুজা এলাংবমনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২





### ৱাংজিং ৱাঙ্খৈ

## সনামহী লাইনীং লূপকী কুমওন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস):**
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং ৱাঙ্খৈদা লৈবা সনামহী লাইনীং লূপকী ৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ৱাংজিং ৱাঙ্খৈগী নাওরেম ব্রোজেনগী য়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা টি বাবুলাল মীতৈ (রিটাইয়র্দ লেকচরর), মীতৈলোলগী এক্টিভিষ্ট এস মঙ্গিজাও মীতৈ অমসুং ৱাই কে কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা এস বিরহরি মীতৈনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। লূপ অসি লাইনীং অসিবু নুংশিজবা মীওইশিংনা হৌনরুবা তৌদনা পূনশিন্নদুনা মসিবু হিঙ্গৎহন্নবগী পান্দমদা লিংখৎখিবনি হায়রি।

## সাইন্টিষ্ট ৩দা কেমিষ্ট্রিগী নোবেল প্রাইজ

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** স্বিদেনগী ষ্টোকহোমদা লৈবা রোয়েল স্বিদিস একাদেমি ওফ সাইন্সেসদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চৎলিবা চহী ২০২৫গী ওইনা কেমিষ্ট্রিদা তোঙান তোঙানবা সাইন্টিষ্ট অহুমদা নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ঙসি ৱাশক লৌরগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্লা থা অসিগী ১দা থোকপা নোটিফিকেশনগী মতুংইন্না মণিপুর লোক আয়ুক্তগী মেম্বর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবা সিদার্থ কে দি বর্মনবু হয়েং অয়ূক পুং ১০ তারকপদা রাজ ভবনগী দরবার হোলদা গভর্ণর এ কে ভল্লানা লোক আয়ুক্তা অসিগী নন জুদিশল মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌগদৌরি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মখোয়গী পোলিটিক্সতা ইচম চম্না শু-নোমদুনা হিংজরিবা ঐখোয়দদি অদুক্কী মতিক অৱাবা পীবনা অশি-অনা নংহনবা নত্তনা অহেনবা করিসু ফংদ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**ৱাথ লম্বেল ময়ায় লৈকায়দগী খুঞ্জা**

**ঐখোয়না লৌবুক্তা লৌ শুবদা সিক্যুরিটিনা নীংথিজনা ঙাকপী-শেনবীরি হায়রিবসিদি শুপ্নতগী অয়ূক পুং ৭তগী হৌরগা অয়ূক পুং ১১ ফাওবা খক্তমক বি এস এফ পর্সনেলশিংনা শঙবীবনি, মখোয়না শঙলিঙৈদা লৌবুক্কী থবকশিং লোইশিলহৌনবা হোৎনরিবনি : সলাম ওংবী সরবদা**

(ঙরাংগী মখা...) নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবী সলাম ওংবী সরবদানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, হৌজিকসু ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অসি ইশাগী য়ুম অদু খক মৈনা থাদোক্ত্রি হায়বগী ৱানি। লৌ শুবা চৎপদা ফাওবা অশি-অনাগী থৌদোক থোকখ্রবনিনা কৈরোই লৈকায়দা লৈবা কিদুনা রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌরকপনি। লৌ-শিং উবগী মতমনিনা অমুক অমুক চৎতুনা য়ূম্লক্তা করিদা লৈবা লৌবুকশিংদা লৌ উনবা হোৎনরি। অদুবু মপূং ফানা য়েংশিনবা ঙমদ্রবনিনা হোৎনরিবা অসিগী মহয় ফংগদৌরিব্রা নৎত্রগা লৌ লোক্লমদাইদা অমুক কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা হান্নগুম্না লান্দারক্কদৌরিব্রা হায়বসিদি তম্বা ঙম্বা ইরমদম ওইদ্রে। নুংশিরবা ইরমদম ইরৈপাক অসি হৌজিক্তি হিংবদা ফাওবা চনীং তানা হিংবা কিরবা লৈবাক অমা হায়দু ওইরে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক্কী ওইনদি ঐখোয়গী খুলদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী পর্সনেলশিংনা ঙাকপী শেনবীরি। অদুবু মখোয়না ঐখোয়বু ঙাক শেনবীরি হায়দুনা মখোয়দা ১০০দা ১০০ থাজবা ঙমদে। মরম অসিনা লৌ-শিং উন্নবা মতম ওইবগী মথক্তা ঐখোয়দি হান্নদগীসু লৌ-শিং উরগা চাজরকপনিনা লৌ উহৌদবা য়াদে। হৌজিক ঐখোয়না লৌ উরিবা অসিদি অয়ূক পুং ৭তগী হৌরগা অয়ূক পুং ১১ ফাওবা খক্তং বি এস এফ পর্সনেলশিংনা শঙবীবনি। মখোয়না শঙবীরিবা মতম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# প্রিপাককী ৪৮শুবা মপোক কুমওনদা ইন্টরিম কাউন্সিলগী চ্যেরমেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ইন্টরিম কাউন্সিলগী চ্যেরমেন অহৈবা অঙোমনা লালহৌলূপ অসিগী ৪৮-শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ইন্টরিম কাউন্সিলগী চ্যেরমেননা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা হায়, নুংশিজরবা ইরৈচাশিং- লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নমথাক তৌরগা নম-হাদুনা লৌশিনখিবা কংলৈ মীয়ামগী মাঙখ্রবা নীংতম্বা অমুক হন্না হঞ্জিলহন্দুনা লমদমসিগী মীয়ামদা নীংতম্বা, চাওখৎপা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমা পীনবগীদমক নীংহন্নবা লৈতনা নীংতম য়াওল লাঙ্থেং চথরিবা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ৪৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম লাকপসিদা অহানবা মক্তদা ইন্দিয়াগী লোইলমদগী নাম্থোক্তুনা হান্নগী লৈজরম্বা নীংতম্বা কংলৈপাক অদু অমুক হন্না পুরক্লুবা নীংতম য়াওল লাঙ্থেংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা প্রিপাকনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা লোইলম লৈঙাক্কী অৱা-চৈথেং মায়োক্লদুনা য়েলহৌঙৈদগী নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নরক্লিবা ইফুরুপচাশিং, য়াওল্লুপশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মরুপশিং, ৱেসিয়া লমদমদা য়াওল ঈহৌ তৌমিন্নরিবা মচিন-মনাও ওইবা য়াওল্লুপশিং অমদি লোইলম লৈঙাক্লা ওৎপী-নৈবীরবা মালেমগী মীয়ামগী মফমদা প্রিপাকনা নীংতম য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি।

অহিং-নুংথিল নাইদনা লৈবাক্কী লুরবা ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌগাই লৌবীদুনা মীয়ামদা মীৎ-নাকোং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫